# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




মণিপুর পুলিসকী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি আই জি পি) ওইনা প্রমোশন পীখ্রবা রাকেস বলৱাল অমসুং নিংসেম বাসুমদা অনৌবা রেঙ্ক অসিগীদমক গভর্ণরনা রেঙ্ক পিপ্পিং সিরেমোনি পাঙথোক্তুনা বেজ থেৎখিবা


অইবগী লমদা সাহিত্য একাদেমী যুব পুরুস্কার... লামায় ২

লামায় ৪ ঙানম থুম্নমদবীসিদি

বরাক তম্পাক্কী মরাইবক - লাইরিক অসিদা ... লামায় ৫

লামায় ৬ লৈবাকসিগী এগ্রিকলচর অমদি লৌমীশিংগী...

এন ঈ ঈ টি-পি জি ২০২৫ এস্পিরেন্টশিংগী দাটা... লামায় ৯

লামায় ১২ য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা ষ্টেট লেভেল জিট...


নেশনল এগ্রিকলচরেল সাইন্স কমপ্লেক্সতা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি ধন ধবনা কৃষি য়োজনাগী থৌরম্বু কে ভি কে থৌবালগী ওফিসতা ৱেবকাষ্টিংদা য়েংবগা লোয়ননা লৌমীশিংদা মরূ-মরাং য়েন্থোকখিবা




Vol. 49, Issue No. 190 | নোংমাইজিং, মেরাগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, October 12, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুর লৈঙাক্কী করস্বা থৌরাং-থৌশিলনো

## থোং নম্বোনবী ১সুং ভৈগ্যচন্দ্রনা শামু ফাবগী মীতমদি মপোপ কায়হন্দনা শেমগৎলগা শিলোংগী রাজবারি উফুল ওলহনখ্রিবা করিগীনো





**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা শিলোংগী রেদ লেন্দদা লৈরম্বা মণিপুরী রাজবারিবু চহী য়ামশিল্লকপদগী মসিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী অমুক নৌনা শানবা শিদোকপনি হায়বা ৱাফম য়াওবা অইবা চেরোল অমা মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এ) গী মায়কৈদগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র-ৱাননা থোকপনি হায়বা চেরোল 'ক্লারিফিকেশন' অমা সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রে।

চেরোল অসিগী কোপিশিং লোকল ন্যুজ পেপর/ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদসু পীবীনবা দি আই পি আরগী দিরেক্টরদসু কোপি পীরি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পুং ১০ রোম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ইন্দিয়াগী লোদা রাজবারি থুদেকপা য়াবগী লো য়াওদে : ও জয়

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮দা শিলোংগী রেদ লেন্দদা লৈবা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা রাজবারি থুগাইখ্রিবসি লাইবক থীবনি হায়রদুনা মফম অসি মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌনখিবা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল অমসুং হিষ্টরিকেল ইমপোর্টেন্স অমদি সিগ্নিফিকেন্স লৈবা য়াম্না মরু ওইবা মফম অমনি হায়রদুনা লৈবাক অসিদা হৌজিক চৎনরিবা লোশিংগী মনুংদা রাজবারি অসি থুদেকপা য়াবগী লো লৈতে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী লো মিনিষ্টর ওইরমখিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি ককৱাদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, রেদ লেন্দগী রেকোর্দকী মতুংইন্না রাজবারি অসি কুমজা ১৯৩০দা শাখিবা বিল্ডিংনি হায়রি। মফম অসি মণিপুরগী রাজবারি হায়না খঙনদুনা গভর্ণরগী বঙ্গলোদৌনা লৈরকপা মফমনি। মফম অসি লুপা লাখ ২দা মেঘালয়দা লৈবা মীওই অনীদা য়োন্থোক্লম্লবনি। আর কে রনবিরনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা অমদি ঐহাক্না লো মিনিষ্টর ওইবা অদুগী মমাঙদা লৈরম্বা রিশাং কৈশিংগী মতমদা লম অসি হন্দোক্নবা লুপা লাখ ১০ কায়থোক্লগা রেভন্যু একাউন্টদা দিপোজিৎ তৌদুনা থম্লম্বনি। ঐখোয়গী মতমদসু লম অসি মণিপুরগী অমুক হন্না ওইনবা প্রোসেস অয়াম্বা লোইশিল্লম্লবনি হায়রদুনা রাজ বারি অসি থুদেকপগী মহুত্তা হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্টস এন্দ এনসেন্ট রিমেন্স এক্টকী মতুংইন্না ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি হায়রদুনা থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## শিলোংগী রাজবারি থুগাইখ্রিবসি লৈঙাক্কী কম্মিটিনা থিগৎকদবনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** শিলোংদা লৈরকপা মণিপুরী রাজবারি থুগাইখিবগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা হায় লেভেল ইনক্কারি কম্মিটি শেম্লগা থিগৎতুনা এক্সন লৌগদবনি হায়না এন পি পিনা দিমান্দ তৌরক্লি।

ঙসি নুংথিল নাওরেমথোংদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা পার্টি অসিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমারনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা হায়, শিলোংগী মণিপুরী রাজবারি অসি কুমজা ২০১৭তা এন পি পিনা লৈঙাক পায়বা য়াওরকপদা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর বিরেননা রাজবারি অসি অমুক্তা কলহৌসি, কোনড়াদ কে সংমাদা ঙাঙনবীয়ু





হায়বদগী ইশামক অমদি মতমদুগী আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারগা পূন্না চৎতুনা ঙাঙনরবা মতুংদা য়ান্নদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা খুৎশিন্নরকখিবনি। অদুবু অসিগুম্বা মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইবা অমদি পুৱারীগা শাগোন্নবা রাজবারি থুগাইখ্রিবসি মীয়ামগী থম্মোয় শোক্লি ংঙাইনি। মসিগী মতাংদা ফজনা থিদোকপা মথৌ তাই হায়খি।

লৈঙাক্লা হায় লেভেল ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেম্লগা থিগৎতুনা এক্সন লৌগদবনি। এন পি পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেট অমদা থোক্লবনিনা পার্টিগী মায়কৈদগীসু হায় লেভেল কম্মিটি অমা শেম্লগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাক্লম্বা কোনড়াদ কে সংমাগী খোঙচৎনা মণিপুরদা হেন্না চরাংনবা থোক্লবা করি ৱাফম ফোঙদোকখিবা য়াওখ্রবগে হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রাজবারি থুগাইফমদা অহিং চূপ্পা খোঙজং চঙশিনখ্রে

### ইম্ফালদগী চৎখিবা আর্ট এন্দ কলচর অমসুং আর্কিওলোজি লোয়শঙগী দিরেক্টর কে দিনমনি ১সুং সুপরিন্টেন্দেন্ট কে শসিকান্ত শিলোংদা থুংখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮গী নুংথিলদা পুমথু থুদেকখ্রবা শিলোংগী মণিপুরী রাজবারিগী থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুংথিলদগী হৌরদুনা রাজবারি থুগাইফমদা শিলোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা তোঙান তোঙানবা পেন্দবা





ফোঙদোকপা ৱাফমশিং ইবা বেন্নরশিং পায়রদুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

চৈরক অসিদা, থৌদোক অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লুনবগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## ৱাইল্ড লাইফ কনবদি লায়রদনা মীতে ফাওবা মুৎকদৌরবা তাঞ্জাসিদা ৱাইল্ড লাইফ ৱীক পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক আই দি পিশিংদদি মপূং ফাবা ৱাৎলি

### রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম

নাওশুমদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** ৱাইল্ড লাইফ কনবদি লায়রদনা মীতে হায়বা অহিংবা ফুরুপ অসি ফাওবা মুৎকদৌরবা তাঞ্জা য়ৌশিল্লক্লবা মতমসিদা ৱাইল্ড লাইফ ৱীক পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক আই দি পিশিংদদি মপূং ফাবা খরা ৱাৎলি হায়দুনা নোংশুমদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা য়ুম্লেম্বম বসন্তনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো লমহেন-তুহেনবশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন্দুনা চখুরক্লিবা



তমথীরবা লান অসিগী চৈথেং মায়োক্লদুনা থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংগা মথং-মথং উন্নরকপগী মখা তারকপদা পাউচে অসিনা য়ুম্লেম্বম বসন্তগসু হকথেংননা উন্নখিবনি।

লৈবাক অসিদা ৱাইল্ড লাইফ ৱীক হায়বা থৌরম অসি লৈবাক অসিগী মপানি হায়রিবা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিৎ ওইরিবা ওক্টোবর ২দগী হৌরগা ৮ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা চয়োল অমা চূপ্পা লম্লক্কী শা-উচেক অমদি মখোয়গী হেবিটেটশিংবু য়োকখৎতুনা ইকোলোজি কায়হন্দনা থম্নবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৫২দগী হৌনা নেশনল বোর্দ ওফ ৱাইল্ড লাইফনা শীন্দুনা চয়োল অমা চূপ্পা পাঙথোরকখিবনি।

চৎলিবা চহী ২০২৫ অসিগীসু মণিপুর লৈঙাক্কী উমং লোয়শঙনা শীন্দুনা মফম কয়াদা ৱীক অসিগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা উ চারাশিং থাবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনখি। (মথং-মথং)

### মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক শেমহন্নবা তকশিল্লুগনি হায়দুনা চৎলুবশিং হল্লকপা হৌরে

## প্রাইম মিনিষ্টর ১সুং হোম মিনিষ্টর উন্নরক্ত্রবসু অথুবা মতমদা অনৌবা লৈঙাক শেম্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী হৌরদুনা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক থুপচিন্দুনা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবীনবা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নদুনা তকশিল্লুগনি হায়দুনা দেল্লীদা পাইশিন্নরুবশিংগী মরক্তগী খরা হন্নরকপা হৌবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর উন্নবগী অয়াবা পীরক্তবদগী উন্নরক্ত্রবসু অথুবা মতমদা মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লরে।

থা অসিগী ৫দগী হৌরদুনা বি জে পিগী এম এল এশিং হীরম অসিগী মতাংদা দেল্লীদা মথং-মথং পাইশিন্নখিবগা লোয়ননা চাউরাক্লা এম এল এ ২৫ হেন্না দেল্লীদা পুন্দুনা সেন্ট্রেল লিদরশিংগা উন্ননবা ঙাইরকখিবনি। অদুবু থা অসিগী ৮গী নুমিদাংৱাইরমদা বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্র অমসুং ঙরাংনা পার্টি অসিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেশন) বি এল সন্তোস খক্তমক



উন্নরগা ঙসিদগী হৌরদুনা ইম্ফালদা হন্নরকপা হৌরকখিবনি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোইসু ওইরিবা এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচানা ঙরাং এম এল এশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না বি এল সন্তোস অমদি সম্বিত পাত্র অনীনা মণিপুরদা অথুবা মতমদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না ফোঙদোরকপসু লৈখ্রবনি।

ঙসি নুংথিল ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা এম এল এশিংগী মনুংদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম, কে শ্যাম, এস রঞ্জন, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### কোংগ্রেস এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা বিরেনদা পিদ্রিৎ থোক্লা ঙাঙখ্রে

## চহী কয়া শাগৎলকখিবা চীং-তমগী মরী মহাক্কী হাক্তক্তা পুমলোই লোইরে, পনবদা হঙ্গোইরে

### 'অনৌবা লৈঙাক শেম্নবনি হায়দুনা দেল্লীদা চঙশিন্নরিবশিং ওইরোই-শেম্লোই, সেন্টরগী লুচিংবশিংদা থা ১গী মতম পীদুনা ৱার্নিং তৌবীরম্মু, এয়রপোর্টতা লৈ পরেং পায়দুনা ঙাইজরমগে'

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংনা ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরক্লিবা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা চহী কয়া চঙনা শাগৎলকখিবা নুংশি-চান্নবগী মরী বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইবা হাক্তক্তা পুমলোই লোইরে। মহাক্কী থৌওংশিং অসি পনবদা ইশাদা হঙ্গোইবা ফাওরে হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী দেপ্যুটি লিদরসু ওইরিবা পার্টি অসিগী শক্লাইরবা লুচিংবা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেনদা ওনশিন্দুনা পিদ্রিৎ থোক্লা ঙাঙখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি কৈশামথোং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পিশুম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বি জে পিনা মীচম কয়া শিহল্লবা মতুংদা মণিপুরগী পুৱারী মুখৎনবা হোৎনরে : অচোইবম দেবেন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক চহী অনী মখায় ফাজি লক্লবা মণিপুরগী লান অসিগী মনুংদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা মীচম কয়াগী পূন্সি মাঙহনখ্রবা মতুংদা হৌজিক অমুক মণিপুরগী পুৱারী মুখৎনবা হোৎনরক্লে হায়না মমাঙগী এসেম্বলি ইলেক্সনদা লম্লাই এ সীদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা অচোইবম দেবেননা মরাল শীখ্রে।

ৱাফম অসি এ আই সী সীগী পাউতাক মতুংইন্না লৈবাক শিনবা থুংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা চখুগদৌরিবা 'ভোট চোর গাডি ছোর' গী নেশন ৱাইদ সিগ্নেচর কেম্প্যেনগী মনুং চন্না লম্লাইদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা কেম্প্যেনদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

কেম্প্যেন অসিদা এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বর, কোংগ্রেসকী সিনিয়র স্পোক্সপর্সন ডা. এস মনাওবী, লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন ওইরম্বী আর কে মেমি, কাউন্সিল্লর ওইরম্বশিং, লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম সোমেন্দ্রো, এদভাইজর



ইরাবত য়াওনা এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেশন ৪০গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

কেম্প্যেন অসিদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়, লম্লাই এ সীগী এম এল এ অসিদি হৌজিক আই সী য়ুদা লৈবা পেসেন্টগা চপ মান্নরে। এ সী অসিগী লম্বী-থোং য়াওনা হীরম খুদিংমক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## দলিট ১সুং ও বি সীশিংবু মীরাইবীরে হায়দুনা বিহারগী বি জে পিগী এম এল এ যাদব রিজাইন তৌখ্রে

**পটনা, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী) :** ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়ানা বিহার লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মীখল মথং থাগী ৬ অমসুং ১১দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা অহানবা তাঙ্কককী মীখলগীদমক ঙরাংদগী মীরেপ চে পীশিনবা হৌনখিবদগী অথেংবা খোঙথাং ওইরবসু ষ্টেট অদুগী বি জে পিগী এম এল এ মিস্রি লাল যাদবনা বি জে পিনা দলিট অমসুং ও বি সীশিংবু মীরাইবীরে হায়বগী চার্জ তৌরদুনা পার্টি অসিদগী রিজাইন তৌখ্রে।

মহাক্না বি জে পিগী এম এল এ ওইবদগী তোক্লে হায়বা ৱাফমসি ঙসি পটনাদা লাউথোকখিবগা লোয়ননা বি জে পি মনুংদা দলিট অমসুং অতোপ্পা বেকৱার্দ ফুরুপশিংবু মশক খঙবীদ্রে হায়নসু মরাল শীখি।

মহাক বিহারগী দরভঙ্গ দিষ্ট্রিক্টকী অলিনগর কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী এম এল এ ওইনা কারকখিবনি। মহাক্না পার্টি অসিদগী তোকপগী অইবা চেরোল অদু বিহারগী বি জে পি য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট দিলিপ



জাইসৱালদা পীশিনখ্রে হায়নসু ঙসি পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক এম এল এ অসিনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগী মতাংদা বি জে পি বিহার য়ুনিটকী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

অদুবু মহাক্না পাউমীশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### রাইফলমেন ১ কেপসুল ৫৪৪গা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং পুলিসনা থৌবাল মোইজিং লৈঙেই চীংদগী এম দি ৱাহিদুর রহমন (৪৩) কৌবা মণিপুর পুলিসকী রাইফলমেন ওইবা মীওই অমা সেমপ্লক্স+ কেপসুল ৫৪৪ (গ্রাম ৩০১) গা কোন্ননা নোর্থ এ ও সী এরিয়াদগী ফারে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### সাইবর ক্রাইমগা মরী লৈননা ঝরখণ্ড পুলিসনা মণিপুরদগী মীওই ১ ফাদুনা পুখ্রবরা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস):** সাইবর ক্রাইমগা মরী লৈননা ঝরখণ্ডগী গুমলাগী অম্বেদকর নগরদগী অমরুদ্দিন খান কৌবা মীওই অমনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্টগী মতুংইন্না ঝরখণ্ড পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী মীওই অমা ফারগা ঙসি গুমলাদা পুখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা মীওই অসিনা সাইবর ক্রাইমগী থৌওং চখুদুনা লুপা লাখ ৮.৪৫গী শেনফম মমাঙ থাগী ১২দা নমথাক তৌদুনা লৌথোকখিবনি হায়রি। মহাক মণিপুরগী কোর্ট অমদগী ট্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌরগা পুখিবনি হায়রি।

### দ্রগ য়োনবা ২ হিরোইন কেজি ৩ অমসুং লুপা লাখ ৯ হেনবগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা লিলোং লিতান মখোঙদগী এম দি খুরসিদ আলম (২১) অমসুং ক্ষেরগাও অৱাং লৈকায়দগী এম দি অকবর (৩৭) কৌবা দ্রগ য়োনবা মীওই অনী ময়ূম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা শগোলবন্দ তেরা সয়াং লৈরক্তগী হৌজিক্লা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৬তা লৈবা মোইরাংথেম মোহেন এলিয়জ পারি (৪২) কৌবা কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী কাদর অমা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৬তগী ফারে। মঙোন্দগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### নিঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা ময়ায় লম্বী শেম্বা লোইদ্রবদি অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লগনি : ইনিসিএটিভ এন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশন, শামুরৌ

(মরীকচুপ্পা পাউ লমায় ৮দা)

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫